HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



থাংমৈবন্দদা লৈবা তুলসি মোটোর্সকী সো রুমদা কাংখোঙ অনী পানবা স্কুটর এপ্রিলিয়া এস এক্স আর-১৬০ মণিপুরগী ওইনা তুলসি মোটোর্সকী জেনরেল মেনেজর সৌবাম দিপুনা লোঞ্চ তৌখিবা

লামায় ৩

**পাখঙবা হিরোল থাবা অমসুং লাংদম কনবা থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে**
☛ লামায় ৪

**লৈঙাক্লা শেলগীদমক য়ু শুংলগা তুংগী মীরোলবু মন্ত্রিক্লবা য়ারোই**
☛ লামায় ৭

**গভর্ণর, সী এম য়াওনা গান-ঙাইগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি**
☛ লামায় ৩

**স্কুল হাংদোকপগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা ৱাফম কয়া খঙহনখ্রে**
☛ লামায় ৩

থৌবালগী অকোয়বদা লৈবা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা পুনশিন্দুনা শেমখিবা মেন্টরিং গ্রুপকী অহুম্লকশুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অহলশিংদা কম্বল খুদোল তমখিবা



লামায় ২

Vol. 44, Issue No. 299 | লৈবাকপোকপা, ৱাকচিংগী ১৩ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, January 26, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## HL Poll

Q: Ngasidagi chahi 5/10 gi mamangda leiramba fivamga yengnarubada Law and Ordergi fivam asi houjikna fagatle haina loubra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Leingakna laothokkhiba SOP ngakna schoolsing thong hangnanaba school authoritysingna matik chaba thourang paikhatle khanbra?

Yes 10% No 90%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৭.১৭ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৩.৮৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫৪

## অস! লোইরেহে!

- ঐগী শৈরেংগী মমিং পেক্লফম লমদম...



- হো, ওজা কবি পেক্লফম হায়বা ওইরম্মোই, পোক্লফম লমদম হায়দৌবা ওইরমনি।

### ১১শুবা নেসনল ভোটরস দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

# ঈ-ঈপিক এপ্লিকেসন ঙসি লোঞ্চ তৌরগনি : সী ঈ ও

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):

লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা শীন্দুনা 'মেকিং অৱার ভোটরস ইম্পৱার্দ, ভিজিলেন্ট সেফ এন্দ ইনফোর্ম' হায়বা থীমদা ১১শুবা নেসনল ভোটরস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী দি জি পি, এল এম খৌতেনা চীফ গেষ্ট, সী ঈ ও মণিপুর পি কে সিংহনা প্রসিদেন্ট, মণিপুরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নার নুংশিতোম্বী অথোকপম অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (ইলেক্সন) কে বোনোনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।



থৌরমদুগা মরী লৈননা সী ঈ ও মণিপুর পি কে সিংহনা হায়খি, মণিপুরগী ওইনা হয়েং জন্যুৱারী ২৬তা ঈ- ঈপিক (ঈ পি ঐচ সী) এপ্লিকেসন লোঞ্চ তৌরগনি। লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা ঈ-ঈপিক লোঞ্চ তৌগদৌরিবা অসিনা লমদমসিগী ভোটরশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি।

ভোটরশিংনা মশা-মশাগী মোবাইলদগী এপ্লিকেসন অসিগী খুত্থাংদা ইলেক্টরস ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ দাউনলোদ তৌবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। মসিনা ভোটরশিংনা মশা-মশাগী দোকুমেন্টশিং অদু নীংথিনা থম্বদা মতেং ওইরগনি। মণিপুরগী ওইনা ইলেক্টরস ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ (ঈপিক) চাদা ১০০ কভরেজ তৌরে। অথুবা মতমগী মনুংদা ভোটরশিংগী কলর ফোটো ইলেক্টোরেল রোল শেম-শাননবা থবক পায়খৎলি।

মহাক্না হায়খি, মীখল মথং-মথং পাঙথোরকপনা লৈবাক অসিদা দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক নোংম-নোংমগী লৈবা হেল্লক্লি। নুমীৎ অসিদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মরোল থোকপা লাই



## রাজ ভবনগী গেটতা বোম লংশিনবদা চেন্নবা ২ ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):

হৌখিবা জন্যুৱারী ১৯গী নুমীদাংৱাইরমদা রাজ ভবনগী গেটতা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিল্লম্বদা চেন্নবা মীওই অনী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা দি আই জি থেমথিং ঙাশংবনা হায়খি, রাজ ভবনগী গেটতা গেটতা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিল্লম্বা থৌদোক অদুগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## মণিপুরগী হেল্থ ক্যের ৱর্কর ২৪৮৫দা ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):

থা অসিগী ১৬তা লৈবাক পুম্বদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌদোকখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী ওইনা জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা হেল্থ ক্যের ৱর্কর ২৪৮৫দা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কোভিসিল্ড কাপখ্রে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখ্রবা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিং অদুদি

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## মণিপুরদগী রাধে অমসুং রুত্যভেন মশংবা য়াওরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস):

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফের্সনা চহী অসিগী রিপব্লিক দে থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পদ্মশ্রী ফংলগদবা মীওই ১০২গী মিং লাউথোরকপদা মণিপুরদগী রাধে দেবী অমসুং রুত্যভেন মশংবা য়াওরে। রাধে দেবী অমসুং ফোক সিঙ্গর রুত্যভেন মশংবানা পদ্মশ্রী এৱার্দ ফংলিবা অসি আর্টকী ফিল্ডদনি।

## রিপব্লিক দেগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচ এন এস):

মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা রিপব্লিক দেগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

গভর্ণরনা থাদোরকপা পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৫০গী নুমীৎ অসিদা লৈবাক্কী চৎন-কাঙলোন ওইরিবা কন্সটিট্যুসন চৎনহনবা হৌখি। মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্ল রক্ল বসু ইন্দিয়ানা দিমোক্রেসিগী চাংয়েংদা মায়

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL-B/6690/10th Jan. to 9th Feb.

হৌজরে | হৌজরে

নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা Manipur Cab Service হৌজরে। মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।

Service starts 7:00 a.m.
Service upto 5:00 p.m.

Dial:
18003453838
6909967574 / 8258070746
6909608909 / 9402267525



Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by:
Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

সত্যমেব জয়তে
মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

72শুবা রিপব্লিক দে

লৈবাক অসিগী
রিপব্লিক দেনা
লাকপদা সিটিজন খূদিংমক্তা পাউজেল অসি পীজরি

'ঐখোয় মীয়াম' - রিপব্লিককী স্পিরিটকা লোয়ননা, ঐখোয়গী চাওরবা অমদি কাঙলুপ, চৎনবী মখল কয়ানা লৈতেংলিবা লৈবাক অসিনা মীয়ামগী মঙলান অমসুং অনিংবা-অপাম্বশিং থুংহন্নবগী মায়কৈদা চঙশিল্লি। ইন্দিয়ন ক্রোর ১৩০গী অপূনবগী মতিক ময়াইনা ঙসিদি ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইবা পান্দমশিংগা শম্নরি অমসুং নুংঙাই য়াইফবা অমদি মীপান-তাংদবা ইন্দিয়া অমা ওইহনবা হায়বা ঐখোয়গী ফিরেপ লেপ্তুনা চেৎশিনহল্লি।

- নরেন্দ্র মোদি



davp 22201/13/0036/2021

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫